

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ৱাইল কার্দতা চঙলকখিবা দবলস টিম অমনা মায় পাকপা ফোঙদোক্লিবা*

*অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রবী মতম অমগী ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্বী অনা ইভানোবিকনা মাগী ওপোনেন্টতা বোল হনখিবা*

## হন্না মায়থীবা নংলবা ইন্দিয়ানা জর্ম্মনিবু অরোইবা মেটচতা গোল ৫–৪ দা থোইখ্রে



*ন্যু দিল্লী, জনুৱারি ১৭ঃ*

ন্যু দিল্লীগী মেজর ধ্যানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদা চথরিবা লৈবাক ৮ না শরুক য়ারিবা হিরো ৱার্ল্ড হোকি লীগকি ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়ানা জর্ম্মনিবু গোল ৫–৪ দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়াগী অরোইবা মেটচ অদুগী অহৌবা মিনিট ৪ দা জর্ম্মনিগী ওলিভর কোর্ননা গোল অমা চনখি। মখা তানা জর্ম্মনিনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা গোল চন্নবা এটেম তৌখি। লোয়ননা ৫ শুবা মিনিটতা ফংবা জর্ম্মনগী অহানবা পেনালটি কোনরদা টিলোন ষ্ট্রালকোৱিসকি গোল ১ গা অমুক চনশিন্দুনা ইন্দিয়াদগী ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচকি ১৭ শুবা মিনিটতা ফংবা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমদা ইন্দিয়াগী মন্দিপ সিংহনা গোল ১ চন্দুনা ১–২ দা লৈখি। মসিগী মতুং মিনিট ১ লৈরগা মেটচকিনা ১৮ শুবা মিনিটতা জর্ম্মনিনা পেনালটি কোনর অমগা ফংদুনা গোল চনবা য়াজবগী তাঞ্জা লৌখি। অদুমওইনমক ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না নিংথিজনা থিংদুনা গোল চনবা ঙমখিদে।

মেটচকি ২৫ শুবা মিনিটতা জর্ম্মনিগী বেঞ্জামিন ৱেসনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ১–৩ দা লৈখি। অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা জর্ম্মনি টিম্না ইন্দিয়াগী মায়কৈদা গোল ২ হেন্দুনা লৈখি।

সেকেন্দ হাল্ফতা ইন্দিয়ানা য়াম্না চেকশিন্না শান্নবা হৌরকপগা লোয়ননা সেকেন্দ হাল্ফ হেক হৌবগা ফংবা পেনালটি কোনর অমদা রুপেন্দ্র পাল সিংহনা গোল ১ চনশিনবা ঙমখি। মসিগী মতুং মেটচকিনা ৪১ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী মিদ ফিল্ডর ওইরিবা মন্দিপ সিংহনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবগা লোয়ননা গোল ৩–৩ দা দ্রো ওইদুনা লৈখি।

মেটচ লোইগদবা মিনিট ১২ খক্তা ঙাইরবা মতম অদু ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল ৩–৩ দা লৈনখি। অদুবু মেটচকি ৫২ শুবা মিনিটতা মন্দিপ সিংহনা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চনবগা লোয়ননা হেদট্রিক ফংখি অমদি ইন্দিয়াগী স্কোরসু ৪–৩ দা লৈহনখি।

ইন্দিয়ানা গোল চনখিবা মতুং মিনিট ২ লৈরগা মেটচকিনা ৫৪ শুবা মিনিটতা জর্ম্মনিগী মার্টিন হেনরীনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ৪–৪ দা দ্রো ওইনদুনা লৈখি। মন্দিপ সিংহনা ঙসিগী মেটচ অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

মেটচ অদুগী লাষ্ট মিনিটতা ফংবা পেনালটি কোনর অমদা মন্দিপ সিংহনা শুংশোই শোইদনা গোল ওন্থোকপগা লোয়ননা মেটচ অসিবু ৫–৪ দা মায় পাকপা ঙমখি। ইন্দিয়াগী মন্দিপনা ঙসিগী মেটচ অসিদা গোল য়াম্না চনবগা লোয়ননা মেন ওফ দি মেটচকি মনাসু লৌখি। ইন্দিয়ানা ৫ শুবা অমসুং ৬ শুবা পোজিসনগীদমক বেলজিয়মগা শান্নগদৌরি। অদুগা জর্ম্মনিনা ৭ শুবা অমদি অরোইবা স্পোটকিদমক অর্জেন্টিনাগা শান্নগদৌরি।

ইন্দিয়া অসি মমাঙদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখুত্তা গোল ২–৭ দা মায়থীবা নংহৌখিবা টিম অমনি। মেটচ অদুগী অহৌবা মিনিট ১৫ গী মনুংদা ইন্দিয়ানা গোল ২ চন্দুনা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। অদুমওইনমক ওষ্ট্রেলিয়া টিম্না কন্না হোৎন্দুনা শান্নরকখিবনি। মখোয়না ইন্দিয়াবু দোমিনেন্ট তৌবগা লোয়ননা টিম অসিবু গোল মার্জিন য়াম্না হেন্দুনা মায়থীবা পীরমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, পুল–এ দা ইন্দিয়াগী অরোইবা মেটচ ওইনা জর্ম্মনগা শান্নবদা গোল ৩–৩ চন্নদুনা দ্রো ওইবা ঙমখিবনি। হৌজিক ইন্দিয়ানা জর্ম্মনিবু মায়থীবা পীখি।

## সেরিনা ৱিল্লিয়মস মায় পাক্কুনা ওষ্ট্রেলিয়া ওপনগী ৪শুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*মেলবোর্ন, জনুৱারি ১৭ঃ*

মফম অসিদা চথরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসকি ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মায় পাকপগা লোয়ননা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা সেরিনা ৱিল্লিয়মসকি ওইনা মেটচ ৬১ শুবা মায় পাকপগা লোয়ননা ওপন অসিগী মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা মহাক্না স্লোভেকিয়াগী দনেলা হন্তুচোভাবু য়াম্না লায়না ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থীবা পীখিবনি। আমেরিকাগী টোপ সিট ওইরিবা শান্নরোই অসিবু মায়থীবা পীবা অদুদা চাউরাক্না মিনিট ৮০ চঙখি।

মহাক্না মথংগী মেটচতা হান্নগী ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্বা অনা ইভানোভিচ নৎত্রগা ইং ২০১১ গী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন ওইখিবী সমান্থা ষ্টোসুরগা থেংনরবা য়ারি। হন্তুচোভা হৌজিক হৌজিক ৱার্ল্ডগী ওইনা ৩৩ শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবনি। অদুমওইনমক ৱিল্লিয়ম্না মহাকপু য়াম্না লায়না ব্রেক পোইন্ট ৬ ফংবা ঙম্বগা লোয়ননা মহাকপু মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা আমেরিকাগী ভেটরান ওইরিবী শান্নরোই অসিগী অনৌবা লেন্দমার্ক ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা ফংখ্রে। মথংগী মেটচ ওইনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্না করিগুম্বা মায় পাক্লগদি মহাকসু মতম অমদা গ্রানস্লাম টাইটল ১৮ লক লৌখিবা শান্নরোইশিংগী মনুং চনবা ঙমগদৌরি। ঙসি ফাওবদা গ্রানস্লাম টাইটল ১৮ লৌখিবা নুপী শান্নরোই ২ লৈরি। মখোয়শিং অদুদি খৃষ্ট এভর্ট অমদি মার্টিনা নভাটিলোভানি।

## সাইনা নেহৱাল মালেসিয়া ওপনদগী লৈহৌরে



*কুলা লাম্পুর, জনুৱারি ১৭ঃ*

ইন্দিয়াগী টোপ সিট ওইরিবা ষ্টলর সাইনা নেহৱাল মালেসিয়া সুপর সেরিজ প্রেমিয়রদগী সেকেন্দ রাউন্দদা লৈহৌরে।

লণ্ডন ওলেম্পিক্তা বেদমিন্টন মশান্নদা ব্রোঞ্চ মেদল লৌখিবা শান্নরোই অমা ওইখিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল বেদমিন্টন মশান্নদা রেঙ্ক অমা ফাওবা লৈত্রিবা চাইনাগী য়াও জ্বাইগী মখুত্তা ২১–১৬, ১০–২১, ১৯–২১ দা মায়থীবা নংহৌখি। মহাক্না মায়থীবা নংহৌবা অসিদা শান্নখিবা অসি চাউরাক্না মিনিট ৫৬ চঙখি।

সাইনা নেহৱাল হৌজিক হৌজিক ওইনা লৈরিবা ৱার্ল্ডগী রেঙ্কিং অসি ৮ শুবনি। মমাঙগী চহীদা শান্নরোই অসি বেদমিন্টন মশান্নদা সিঙ্গল টাইটল অমা ফাওবা লৌবা ঙমদনা মায়থীবা নংখিবা শান্নরোইনি। হন্দক্কি চহী অসিদা মহাক্না জনুৱারী থাদা পাঙথোকপা চেম্পিয়নসিপ অমদা টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা হন্দক্কি ওপন অসিসু আশা চাউনা তৌখিবনি। মহাক্না নীংঙলম্বা অদুগী ওন্না তৈনবদা মশান্না অসিদা রেঙ্কিং চন্দ্রবা শান্নরোই অমনা য়াম্না কম্পিটেটিপ ওইনা শান্নবগা লোয়ননা মহাকপু মায়থীবা পীরমখিবনি।

## অভিজিট গুপ্তনা প্রসনাথ ইন্টর্নেসনেল টাইটল লৌখ্রে

*ন্যু দিল্লী, জনুৱারি ১৭ঃ*

ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর অমদি কম্মন ৱেল্থকি চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়াগী অভিজিট গুপ্তনা ১০ শুবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী এলদর গ্রাসনোভাগা দ্রো ওইবগা লোয়ননা দিল্লীদা চথরকখিবা ১২ শুবা প্রসনাথ ইন্টর্নেসনেল গ্রান্দ মাষ্টর চেছ টুর্নামেন্টকি চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ খক্তা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা গ্রান্দ মাষ্টর অসিনা মহাক্কী কেরিয়রদা হন্দক্কি অসিনা অনীরকশুবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। অহানবা ওইনা মহাক্না মমাঙ থা দিসেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা অল–অনি ক্লাসিক টাইটল লৌখি। হন্দক্কি অসিনা মহাক্কী কেরিয়রদা অনীরকশুবা ওইনা চেম্পিয়নগী টাইটল অসি লৌবা ঙমখিবনি।

গুপ্তনা ১২ শুবা প্রসনাথ ইন্টর্নেসনেল গ্রান্দ মাষ্টর চেছ টুর্নামেন্ট অসিগা রাউন্দ ১১ শান্নবগী মনুংদা রাউন্দ ৬ মায় পাকপা ঙমখি। অদুগা রাউন্দ ৪ না দ্রো ওইখি। মসিদা মহাক্কী য়াম্না নক্লবা লম্বাশিংবু মহাক্না মায়থীবা পীবগা লোয়ননা চেম্পিয়নসিপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

য়ুক্রেনগী অতোপ্পা শান্নরোই ভেলরি নেবেরোভনা পোইন্ট ৭ মখাই ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈখি। মহাক্না ফিলিপিনগী জোন পাউল গোমেজগা দ্রো ওইখি। গোমেজ অমসুং লেভান পানসুলাইঅ মখোয় অহুম্না পোইন্ট ৭ মখাই ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা পুন্না লৈমিন্নখি। অদুগা ৩ শুবা পোজিসন্দা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর দিপা চক্রবর্টিনা ফাইনেল রাউন্দদা রুসিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর অলেকজেন্দরবু মায়থীবা পীদুনা লৈখিবনি।

## ন্যুজিলেণ্ড সেরিজদা মায় পাক্লবদি ইন্দিয়ানা ও দি আই রেঙ্কিংদা টোপ ওইখিগনি



*ন্যু দিল্লী, জনুৱারি ১৭ঃ*

ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না পীবা রেঙ্কিং অসিদা ৱান দে ইন্টর্নেসনেলগী ওইনা রিটেনিং পোইন্ট ১২০ গা লোয়ননা টোপ ষ্টোপতা লৈরি। ন্যুজিলেণ্ডদা চত্থুনা ৱান দে সেরিজ ৫ শান্নবা অসিদা ইন্দিয়ানা করিগুম্বা মায় পাক্লবদি মখোয়না হান্না লৈরিবা রেঙ্কিং অসিদগী হন্থদবা য়াই অদুবু মায়থীবা নঙলবদি রেঙ্কিং অসিদগী হায়থরক্কনি।

ন্যুজিলেণ্ড অসি হৌজিক হৌজিক আই সি সিগী ওইনা নৌনা থোকখিবা রেঙ্কিংদা ৮ শুবদা লৈবগা লোয়ননা মখোয়না ফংলিবা রেঙ্কিং পোইন্ট অসি ৩৬ নি। ইন্দিয়ানা ২০১৩ গী জনুৱারী অহৌবদগী ইংলেণ্ডনা টোপ ষ্টেট ওইদুনা লৈরম্বা অদু মুনবা ঙম্বগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা অহানবা ষ্টেটতা লৈরকখিবনি।

ন্যুজিলেণ্ড হায়রিবা হৌজিক হৌজিক আই সি সিগী ৮ শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবা লৈবাক অসিনা টোপ ষ্টেটতা লৈরিবা ইন্দিয়াদা করিগুম্বা সেরিজ অসিগী মনুং চন্না মেটচ অমা মায় পাকপা ঙম্বদা মখোয়গী ষ্টেট অসি হান্নদগী অমা হায়গৎকদৌরিবনি। মসিনা ৱেষ্ট ইন্দিস টিমদা অচৌবা অহোংবা অমা লাক্কদৌরি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা চেট্রেশ্বর পুজারাসু ও দি আই সেরিজ অসিদা ন্যুজিলেণ্ডগী মায়োক্তা অনৌবা রন কয়া স্কোর তৌবগা লোয়ননা আই সি সিগী ও দি আই বেটচমেনশিংগী মনুংদা হৌজিক লৈরিবা রেঙ্কিং অসিদগী হেন্না ৱাংবা রেঙ্কিংদা লৈনবা মিৎয়েং থল্লিবা শান্নরোই অমনি। করিগুম্বা ইন্দিয়ানা সেরিজ অসিদা ন্যুজিলেণ্ডগী মায়োক্তা মায় পাকপা ঙমদ্রগদি মখোয়গী ষ্টেট অসি ওষ্ট্রেলিয়া নৎত্রগা ইংলেণ্ডনা মুনখিগদৌবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা লৈরি।

## অন্না ইভানোবিকনা মরমদমগী শান্নরোই অমবু মায়থীবা পীখ্রে

*মেলবোর্ন, জনুৱারি ১৭ঃ*

মতম অমদা ৱার্ল্ডগী ৱুমেন্স সিঙ্গলসতা টোপ সিট ওইরম্বা অন্না ইভানোবিকনা ঙসি শান্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মেটচ অমদা মহাক্কী হোম টাউন্দদা পোকখিবা য়ু এস ওপন ২০১১ দা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা সমান্থা ষ্টোরুসপু মায়থীবা পীবগা লোয়ননা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

শান্নরোই অসিনা মহাক্কী কন্ট্রিমেট ওইরিবা শান্নরোই অসিবু ৬–৭ (৮), ৬–৪ অমদি ৬–২ দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। ষ্টোরুসনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা ১২ রক শরুক য়াবদা হন্দক্কি অসিনা ১০ রক শুবা মায়থীহৌবনি। মমাঙগী চহীদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌবগা লোয়ননা ২০১২ তা পাঙথোকখিবদনা অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা নংখি।




Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B



ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) | 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) | 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) | 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) | 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) | 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) | 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) | 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) | 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) | 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) | 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) | 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) | 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) | 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) | 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) | 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) | 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) | 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) | 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) | 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) | 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) | 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) | 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726